# জম্মু এন্দ কাস্মির শরুক অনী থোক্লা খাইদোকখিবগী থৌওং সুপ্রিম কোর্টতা শীংনখ্রে





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাস্মিরবু শরুক অনী থোক্লা খাইদোকখিবগী থৌওং নেসনল কনফরেন্সনা সুপ্রিম কোর্টতা শীংনখ্রে।

ওমার অব্দুলানা লুচিংবা নেসনল কনফরেন্সকী এম দি মহমদ অকবর লোনি অমসুং হাসন মাসুদিনা এপেক্স কোর্টতা পীটিসন অমা ফাইল তৌখিবনি। পিটিসন অদুগী মতুং ইন্না সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট এসেমব্লীগী রেকমেন্দেসন য়াওদনা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবদু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা থৌওংনি হায়রি। মরম অদুনা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী মতাংদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন চৎনহল্লোইদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখি।

আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাস্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তগা শরুক অনী থোক্লা খাইদোকখিবগী মায়োক্তা নেসনল কনফরেন্সকা লোয়নননা পিপলস দেম্মক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)নসু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখি। রাজ্য সভাদা হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লে হায়না লাউথোক্লমদাইদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অব্দুলা অমদি পি দি পিগী লুচিংবী মেহবুবা মুফতিবু ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

স্রিনগরগী এক্সজিক্যুটিব মেজিষ্ট্রেটনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়খি মদুদি কাস্মিরগী ইং তপ্পা ফিভম অমসুং লো এন্দ ওর্দরদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবা মরম্না পোলিটিকেল লিদর খরা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবনি। মতুং তারকপদা গভর্ণর সত্যা পাল মালিক্লা হায়খি মদুদি জম্মু এন্দ কাস্মিরদা হৌজিক সিক্যুরিটিগী ফিভম তপ্না তপ্না ফগৎলক্লে। মীয়াম্না হরাও তয়াম্বা মওংদা ইদকী থৌরম পাঙথোকপা য়ানবা থৌরাং লৌখৎলে।

নেসনল কনফরেন্সনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অদুনা হায়খি মদুদি, পার্লিয়ামেন্টকী হাওসঅনীমক্লাপাস তৌখিবাঅমসুং প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রবাজম্মু এন্দ কাস্মির রিওর্গনাইজেসন এক্ট ২০১৯ বু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা মরম্না খুদক্তগী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকফম থোকই।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী মতাংদা সেন্টরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগা মরী লৈননা মীয়ামগী ইহৌ লাকপদগী য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর অমা, বিজিনেস লিদর অহুম সেপরেটিষ্টশিং য়াওনা মীওই ৪০০ রোম ফাগৎখি। নেসনল কনফরেন্স অমদি পি দি পিগী মেম্বর কয়ামরুমসু ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ফাজিনবা লৈখ্রে।

আর্টিকল ৩৭০গী মতাংদা প্রসিদেন্টনা থোকখিবা ওর্দর শীংনরদুনা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমা খুদক্তা হিয়ারিং চথবয়ু হায়বদা সুপ্রিম কের্টনা অয়াবা পীখিদ্রবনি।

# প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এমেন্দমেন্ট অয়াবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):
কনাগুম্বা মীওই অমবু টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকপগা লোয়নননা মরল-মথুম পুম্মক ফাজিনবা য়ানবগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯ প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা অয়াবা পীখ্রে।

এক্ট অসিগী মতুং ইন্না টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীওই অমবু চথোক চৎশিন তৌবদা থিংলগনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী ওসিল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা প্রসিদেন্টনা লেজিসলেসন অসিদা এসেন্ট পীখিবনি।

জুলাই ২৪দা লোক সভানা এমেন্দমেন্ট বিল অসি পাস তৌখিবগা লোয়নননা ওগষ্ট ২দা রাজ্য সভানা বিল অসি পাস তৌখি। লেজিসলেসন অসিগী মতুং ইন্না লাস্কর-ঈ-টোইবগী ফাউন্দর হফিজ সায়িদ অমসুং জাইস-ঈ-মহমদকী লুচিংবা মাসুদ অঝরবু খ্বাইদগী ইহান হান্না টেরিষ্টনি হায়না লাউথোক্লবা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীওইশিংগী মরল মথুম পুম্মক নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না ফাজিন্নবগী মতিক ময়াই লেজিসলেসন অসিনা পীখি। হান্নদি এন আই এনা টেররিজমগা মরী লৈনবা মীওইশিংগী মরল মথুম ফাজিল্লমদাইদা মরী লৈনবা ষ্টেট পুলিসকী অয়াবা লৌরম্বনি।

ষ্টেট পুলিসকী অয়াবা লৌনবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙবা মরম্না টেররিজমগা মরী লৈনবা মীওইশিংগী মরল-মথুম ফাজিনবদা মতম মাংবগী ফিভমদা লৈখি। হান্না চৎনদুনা লাকপা লোগী মতুং ইন্না দেপ্যুতি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমদি মসিগী মক্তা লৈবা ওফিসার অমনা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্টকা মরী লৈনবা কেসশিং ইনভেষ্টিগেসন চথুদুনা লাকখি। হৌজিক্তী ইন্সপেক্টরগী থাক্তগা লৈবা ওফিসার অমনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা য়ারে।

হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা হায়খি, টেররিজম লাকশিন্নবগী পান্দমদা পাস তৌখিবা এক্ট অসিনা মরম ওইরগা এন আই এগী থবক থৌরমশিং খুৎমাং চাওশিনবা ঙম্লগনি। ওর্গনাইজেসন অমবু টেরিষ্ট ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোকপা তারবসু লুপ অদুদা য়াওরিবা মীওইশিংগী থবক থৌরমদা অথিংবা পীবা ঙমদনা লাকখি। লন্নাই মীওই অমবু টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকপা য়ারবনিনা মরী লৈনবা মীওই অদুগী মথক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা য়ারগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

এন আই এগী দিক্টের জেনরেলদা অহেনবা মতিক ময়াই পীগদৌরিবা এমেন্দমেন্ট অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা টেররিজম লাকশিন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং ওইনরগনি হায়রি।

# খুঙ্গংশিং অমদি লৌউবশিংগী ফিভম ফগৎহন্দ্রিবা ফাওবা চাওখৎপা য়ারোই ঃ ভাইস প্রসিদেন্ট



রাঞ্চি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা খুঙ্গংশিং অমদি লৌউবশিংগী লৈরিবা ফিভম ফগৎহন্দনা লৈবাক অসিনা চাওখৎপগী পরম থল্লিবা অদু ওইবা ঙম্লোই হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ঝরখন্দগী কোনুং রাঞ্চিদা হৌদোকখিবা মুখ্য মন্ত্রি কৃষি আর্সিৱাদ যোজনাগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদুনা এগ্রিকলচরদা য়ুম্ফম ওইদুনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ খোঙথাংগী লম্বৈলদা অকনবা মীৎয়েং থল্লিবা ষ্টেট অসিদা খুঙ্গংশিং অমদি লৌউবশিংদা হেন্না কান্নবা পীগদবা মুখ্যমন্ত্রি কৃষি আর্সিবাদ যোজনানা মখা তানা খুদোংচাবা কয়া পীবা ঙমগনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা হান্নদগী লৌউবশিংনা প্রধান মন্ত্রি কিষান সমান নিধি যোজনা ফঙদুনা লাকখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা মুখ্যমন্ত্রিগী যোজনা অসিনসু খুঙ্গংদা লৈরিবা লৌউবশিংগী অহেনবা থৌনা পীগদৌরি।

ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা মখা তাখিবদা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসিনা লৌউবশিংদা হান্নদগী ফংদুনা লৈরিবা খুদোংচাবশিং অদুগী অহেনবা শাফু পীদুনা কান্নবা হেন্না ফংলগনি।

# থিবা খঙখিদবা জর্নেলিষ্টকী অশিবা হকচাং খোংদগী ফংখ্রে

অম্বালা, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):
হরিয়ানা ষ্টেটকী অম্বালা সিটিগী মনাক্তা লৈবা ধেলা মজরা খুঙ্গংগী খোং অমদা থা অসিগী ৬তগী থিবা খঙদনা লাকখিবা জর্নেলিষ্ট অমগী অশিবা হকচাং ফংখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না ধেলা মজরা খুঙ্গংগী নরৱানাগী খোংদা ফংখিবা অশিবা হকচাং অদু দুর্দরসন (হিসার)গী রিপোর্টর রাজেস শর্ম্মগীনি হায়না ফোঙদোরক্লি। রাজেস শর্ম্মগী লোয়নবীনা অম্বালা পুলিসতা মহাক্কী মপুরোইবা অদু থিবা খঙদবগী কমপ্লেন অমা থাঙ্গলকখিবনি।

পনবা য়াবদি, রাজেস শর্ম্মনা জুলাই ৬তা মহাক্কী ময়ুমদা মশাগী কার অমসুং মোবাইল থম্নমখি। অদুগা থিবা খঙদনা লাকখিবনি। পুসিলকী পাউ অদুনা মখা তারদুনা লৈখিদ্রবা রাজেস শর্ম্ম ময়ুম থাদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙওইনননা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা থবক অমদি মশাগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা মরমশিংনা ৱাখল লৈতাফম খঙদনা লৈখি হায়রি।

অতোপ্পা পাউ অমদা উট্টর প্রদেশকী কোনুং লক্ষ্ণৌদা পুলিসকা নোংমৈ কাপ্নখিবা থৌদোক অমদা ক্রাইমদা চেন্নবা মীওই ২ হাৎখ্রে হায়না এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী (হোম) অৱানিস অৱাসথিনা ফোঙদোরকখি। থৌদোক অদু বাটপট অমসুং সহরানপুরদা থোকখিবা থৌদোক অনী ওইখি। মদুদা পুলিসকী পার্সনেল ৩শু শোকখি হায়রি।

# খা থংবা ইন্দিয়াদা নোংনা অকনবা চৈথেং পীখ্রে, কেরালাদা মীওই ৪২ শীখ্রে



টিরুবন্থপুরম, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী খা থংবা ষ্টেটশিংদা অকনবা নোং চুবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। কেরলা ষ্টেটতা মীওই ৪২ শীখ্রে।

লৈবাক অসিদা মুন্সুনগী অকনবা নোংনা চহী খুদিংগী মফম কয়াদা চৈথেং পীদুনা লাক্লিবা অদুগী মনুং চন্না কুমজা ২০১৯গী ওইনা খা থংবা ইন্দিয়াদা হৌখিবা চহী কয়াদগী থেংনখিবা অদুদগী অহেনবা মওংদা নোংতাদুনা অৱা-অনা কয়া থোকখ্রবা মতুং কেরলা ষ্টেটনা খ্বাইদগী অৱাবা মায়োক্লদুনা মীওই ৪২ শীখিবগা লোয়নননা মীওই ১,২৫,০০০গী ময়ুম মকৈ শোক্তুনা সাফগদবা মফমশিংদা থৈদোক্তুনা লৈরি।

কেরলা ষ্টেটতা থেংনরিবা অৱাবা অদুগুম্না থংনবা ষ্টেট ২ কর্নাটকা অমসুং টামিলনাদু ষ্টেটতসু মুন্সুনগী চৈথেং ফংদুনা লৈরি।

টালিমনাদুগী নিলগিরি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা অভালানচিদা ঈশিং ঈচাও অদুনা চৈথেং পীরবা মীওই কয়া অমা পন্দুনা লৈরিবা অদু ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী মতেং নীদুনা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্লা মতেং পাঙবীনবা হায়রকপা লৈখ্রে।

কেরলা ষ্টেটতা মালমপুরমগী কবালাপরা অমসুং ৱেয়ানদতা নোং কন্না চুবা মরম্না লেন্দস্লাইদ থোকপদগী য়ুম কয়া অমা চেন্থখিবা অমদি ফুমজিনখিবা মরম্না মীওই কয়া থিবা খঙদনা লৈরি হায়বগী পাউ ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অদুগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট ৮ অরনাকুলম, ইদুকি, পলাকর, মলাপুলম, কোজিকোদ, কনুর অমসুং কসারগোদতা নোং কন্না তাবদগী লেন্দস্লাই থোকপগী অৱাবা থেংনরি।

ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অৱাবা নংখ্রবা মফমশিং অদুদা থিবা-হুম্বগী থবক চথখিবগা লোয়নননা নেসনল দিজাষ্টর রিলিফ ফন্দ অমসুং আর্ম ফোর্সেসকী অহেনবা মতেং পীননবগী ৱাফম কয়াসু খন্নরি।

কেরলা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেট অদুদা লৈরিবা দামশিংগী ঈশিংগী কেপাসিটি হেনগৎলকখিবা অদুনা মরম ওইরগা দাম হাংদোক্লবগী ৱাফমসু খন্নরি। অদুবু দামশিং অসি হাংদোকপা মতমদা মখা তানা মফম কয়াদা অৱাবা নংবগী তাঞ্জা অমসু লাক্লি।

# সেন্টরনা এন এল এফ টিগী ফেক্সন অমগা য়ানচে খুৎয়েক পীনখ্রে



অগরটলা, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্রিপ্রা (এন এল এফ টি) ফেক্সন অমগা মেমোরেন্দম ওফ সেটলমেন্ট খুৎয়েক পীনখ্রে।

সবির দেব বর্ম্মা এলিয়স মেজর য়ামরোকনা লুচিংবা ফেক্সন অমনা ঙসি খুৎলায় থাদোকপগী মতাংদা অয়াবা পীখিবনি। হোম মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট, ত্রিপুরা অমসুং এন এল এফ টি- এস দিগী মরক্তা নাকল অহুমগী ওইবা মেমোরেন্দম ওফ সেটলমেন্ট খুৎয়েক পীনরে। লালহৌলুপ অসিনা খুৎলায় থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপগী ৱাফমদা অয়াবা পীরে হায়নসু হোম মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্টনা ফোঙদোকখি।

খুৎয়েক পীনখ্রবা য়ানচে অদুগী মতুং ইন্না লালহৌলুপ অসিগী কাদর ৮৮ খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরক্ল গনি। চংজরক্লবা মীওই পুম্নমক সরেন্দর কম রিহেবিলিটেসন স্কিম ২০১৮গী মখাদা খুদোংচাবা পুম্নমক ফংহনগনি হায়রি।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা সরেন্দর তৌরক্লবা কাদরশিংগী লৈনবা য়ুম শাবিবগা লোয়নননা থবক তৌনবগী খুদোংচাবসু ফংহনগদৌরি। কুমজা ১৯৯৭তগী অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্টকী মখাদা অথিংবা থমদুনা লাকখিবা এন এল এফ টিনা চথুরকখিবা তোঙান-তোঙানবা এটেকশিংদা সিক্যুরিটি পার্সনেল ২৮ অমসুং মীচম ৬২ শীখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

কুমজা ২০১৫দা এন এল এফ টিগা ইং তপ্পা পুরক্লবগী মতাংদা ৱারী শান্নবা হৌখি। মতম অদুদগী হৌরগা কুমজা ২০১৬ ফাওবা লুপ অসিনা এটেক চথুবা য়াওনা খুৎলায় থাবগী থৌওং পুম্নমক লেপখি। নাকল অহুম য়ান্নরবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী জোইন্ট সেক্রেটরী (নোর্থ ইষ্ট) সত্যন্দ্র গার্গ, ত্রিপুরাগী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী (হোম) কুমার অলোক অমসুং এন এল এফ টি-এস দিগী সবির কুমার দেব বর্ম্ম অমদি কাজল দেব বর্ম্মনা য়ান্নচেদা খুৎয়েক পীখি।

# নেসনল ওন্ট্রপ্রেন্যুর্সিপ এৱার্দকী এপ্লিকেসন কৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী):
ওন্ট্রপ্রেন্যুর্সিপকী লমদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা মনা ওইরিবা নেসনল ওন্ট্রপ্রেন্যুর্সিপ এৱার্দ ২০১৯গী এপ্লিকেসন থা অসিগী ১দগী হৌরগা মথং থাগী ১০ ফাওবদা কৌরি।

এৱার্দ অসি ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ ওন্ট্রপ্রেন্যুর্সিপকী মীৎয়েং মখাদা হৌদোরক্তুনা নহা ওইরিবা ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমদি লম অসিদা অকোইবদা লৈবা নহাশিং খোমজিনবা ঙম্বশিংগীদমক পীগদৌরিবনি।

ꯍꯤꯖꯝ ꯄ꯭ꯔꯤꯌꯣꯖꯤꯠ / অৱাবা ফোঙদোকচবা



জুন ফাইভ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মেম্বর ওইরম্বা হিজম প্রিয়োজিৎ সিংহ, শগোলবন্দ তেরা য়েংখোম লৈরক্তা লৈরম্বনা ওগষ্ট থাগী তাং ৮, ২০১৯দা লৈখিদবদা, ঙসি তাং ১০/০৮/২০১৯গী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা শ্রী এলাংবম ভুবনেশ্বর (ভুমে), এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট, চীংঙামথক নামৈরাকপম লৈকায়দা লৈবগী য়ূমদা পাঙথোকপা মীফমদা শরুক য়াখিবা এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা ঈংনা চিক্লা মপুগী লৈকোন্দা লৈরুনবা মিনট ২ (অনী) লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াজরি।

Sd/- Elangbam Bhubaneshwor Singh
President
June 5 Welfare Association

HL-P/3588/11

NAWA SHINDAMKON
ꯅꯋꯥ ꯁꯤꯟꯗꯝꯀꯣꯟ
PRE PRIMARY TEACHERS TRAINING COURSE
Regd. No. 1446/SR/IW/2018
ADMISSION OPEN FOR NEW BATCH
Qualification - X Passed and above
Duration - 6 Months
*90% Job Facility inside Manipur*
*ONLY LOWEST ADMISSION FEES*
**Contact : NAWA SHINDAMKON OFFICE**
Changangei Makha Leikai Pioneer Club.
#8794782217
HL-P/3580/9,11

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯁꯪ / GALLBLADDER গী নুঙ তুমহনখ্রে
(OPERATION তৌহন্দ্রে)

নুংশঙ, খ্বাং-খোঙ-খুৎ-য়া চিকপা-নাবা, ফিভৌ, ফুরি, এলর্জি, সাইনস-তোন্সিল, উরিং-মায়হিং, থাগী খোঙকাপ, ফম্বী শোনবা, খোম থোক্তবা, মীগী-লাইগী-মশাগী লায়না-তিন্নাশিং অকক্লবা মতমদা 99% Guarantee পীদুনা মায় পাক্লা লায়েংবিরিবা PHC Centre, Layengshang Nature Cure, Manipur, Singjamei Bazar, Phone No. 9862739714/9774533916 কী হীদাক চাবদগী ঐগী ওপরেসনগী মতম লেপ্পুরবা গোল ব্লেদরগী এম এম ২০ চাউবা নুঙ ওপরেসন তৌহনবীদ্রে, য়াম্না থুনা তুমহনবীবগী লায়েংশঙ অসিবু থাগৎচরি, মতম পূম্বদা মপুনা মঙ্গল পীবিসনু।
**থৌনিজরিবা :-Miss Sana, Mantripukhri, Imphal**
HL-P/3966/11

ꯊꯥꯖꯕꯒꯤ ꯂꯝꯖꯤꯡꯗꯥ
TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY
in aid of
Annual fund Drive
KKCWU, Kongba | Regd.896 of 2017
Ticket Rate Rs.1500/-
1st Housefull Activa 5g
2 Tickets Quick 10 Activa 5g
Date & Time: Sunday 11th August 2019 (5 p.m)
MINI BUMPER
Ticket Rate Rs.250/-
Prizes Rs.80,000/-
2nd Housefull Activa 5g
3rd Housefull Activa 5g
4th Housefull Activa 5g
5th Housefull Activa 5g
6th Housefull Activa 5g
7th Housefull Activa 5g
8th Housefull Activa 5g
9th Housefull Activa 5g
VENUE: NSK COMMUNITY HALL, WANGKHEI (KEITHEL ASANGBI)
HL-P/3591/11

ꯃꯍꯩꯔꯣꯢ ꯑꯣꯏꯕꯁꯤꯡ
2019 - 2020 SESSION
MBBS IN ABROAD & INDIA
Direct Admission without Screening Test & Donation,
(Neet Qualified & Non-Qualified)

| ABROAD UNIVERSITIES | | INDIA |
|---|---|---|
| O.O. Bogomolets, Lviv National, Ivano Frankivsk, Vinnitsa National, Bukovinian State, International Academy, Odessa National — UKRAINE | Voronezh State, Orel State, Belgorod State — RUSSIA | 18 Medical Institutes in UP State. (Neet Qualified Marks is 200 only) Lowest Package Rs. 55 L. to Rs. 67 L. only |
| Anhui Medical, Dalian Medical — CHINA | Zala-Abad State, Kyrgyz State — KYRGYZSTAN | Please Contact:- Y. Nodiyachand Singh (Advocate) Shamurou Mayai Leikai, Ward No.8 For:- "Siva Education Trust" New Delhi C/no. 9612159012 / 9612294036 |
| | South Kazakhstan, Astana Medical — KAZAKHSTAN | |
| | East European — GEORGIA | |
| Lowest Package Rs. 11 L. to Rs. 25 L. only, Recogd. by NMC(MCI). | | |

HL-P/3465/24,26,28,30,1,3,5,7,9,11,18,19